**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 16-12-2024)**

**দিবস (এল)ঃ** ঙসি লৈবাক শিনবা থুংবদা বিজয় দিবস থৌরম পাঙথোক্লি।

মনিপুরদা ঙসি নুমিৎ অসি রাজ্য সরকারনা শিনদুনা অহানবা মনিপুর রাইফলসকী বক্কেট হোলদা পাঙথোকখি।

থৌরম অদুদা শরুক য়াদুনা মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেননা হায়রি-রাজ্য অসিদা শান্তি হনজিন্নবা অমসুং তুংগী মীরোল কন্নবা ঐখোয় অমত্তা ওইনা পুনশিনবা হায়বসি তঙাইফদবনি। ৱাফম অসি ঙসি অহানবা মনিপুর রাইফলসকী বক্কেট হোলদা পাঙথোকখিবা বিজয় দিবস থৌরমদা মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেননা ফোংদোকখিবনি।

থৌরম অদুদা মুখ্য মন্ত্রিনা লুচিংদুনা ইং ১৯৭১ দা ভারত অমসুং পাকিস্তানগী লালদা লৈখিদ্রবা থৌনা ফরবা ভারত লান্মীশিংগী মফমদা হৈকৎ লৈকৎ তমদুনা ইকায় খুমবা উৎখি। মুখ্য মন্ত্রিনা হায়-মনিপুরদা থোক্লিবা ইরাং অসিদা লুচিংবশিংনা মীয়ামনা নুংঙাইরোইদবা, য়ানিংলোইদবা অমদি অশোয় অঙাম থোকপা য়াবা থবক অমত্তা তৌরোইদবনি। মসিনা মীয়ামগী তুংগী পুন্সিদা অকায়বা কয়া লাকপা য়াই।

শ্রী বিরেননা হায়-ওইরিবা ফিভম অসিদা লন্নাই ওইনা কেন্দ্র সরকারদা অরানবা পাউ কয়া পীশিনবা অসিনা রাজ্য অসিদা শান্তি পুরকপদা থিন্থহনবগী মরম ওইগনি। রাজনিতিগী খুদোংচাবা লৌনবা হোৎনবদা মীয়ামদা চমমবা থোক্কদবা ৱাফমশিং ফোংদোকপীগনু। ঐখোয়গী তুংগী মীরোলগীদমক খনদুনা অশানবা মীৎয়েং অমগা লোয়ননা অচেৎপা ফিরেপ অমা লৌমীন্নসি হায়না আপিল তৌখি।

মুখ্য মন্ত্রিনা মখা তানা হায়-কনাগুম্বশিংনা মশাগী ওইজবা য়েংদুনা

অপিকপা ৱাখল্লোনদা সরকার অসিগী থবক থৌরমদা অপনবা পীরি। মসিনা লুচিংবশিংদা চরাংনবা থোকহন্দুনা মীয়ামগী থবক তৌবদা অপনবা অমা ওইরি।

নাকল অমরোমদা, ইরাং মরক অসিদা মপানদগী থবক শুবা লাকপা নোন-লোকেল অনি হাৎলম্বগী থৌওংবু য়ানিংদবা ফোংদোক্লদুনা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়-ইরাং মরক অসিদা মীহাৎ মীপুন কয়া চথুবা অসি য়ামা লাইবক থিবনি। মনিপুরদা মপানদগী লাকপা মীওইশিং অসিদা চাউনা অকি-অখঙ পীবা লমদম অমা ওইনা মীয়ামদা লান্না উহন্নবা হোৎনবনি। অসিগুম্বা অরানবা থবক চথুরিবা মীওইশিংগী মথক্তা সরকারনা চপ চাবা থবক লৌখৎকনি।

থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা ফোরেষ্ট মন্ত্রি-থোঙাম বিশ্বজিৎনা হায়-ঙসি লৈবাক শিনবা থুংনা পাঙথোক্লিবা বিজয় দিবজকী থৌরম অসি ভারতকী পুৱারীদা ময়েক লানা ইদুনা লৈহৌরগদবা নুমিৎ অমনি। ভারত-পাকিস্তানগী লান অদুদা পাকিস্তানগী লান্মী লিশিং ৯৩ রোম ভারত্তা চংজরকখিবনি। নুমিৎ অসি মরুওইনা ভারতকী থৌনা ফরবা লান্মীশিং অদুবু ইকায় খুমবা উৎপা ওইনা পাঙথোকপনি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা মন্ত্রিশিং, এম.এল.এশিং, ওফিসিএলশিং য়াওনা এক্স সার্ভিসমেন অমদি মীয়ামনা শরুক য়াখি।

**মেত্রিক (এল)ঃ** বোর্ড ওফ সেকন্দরি এদুকেসন মনিপুরনা লৌবা হায়স্কুল লিভিং সার্টিফিকেট ইগজামিনেসন-২০২৫, মেত্রিক পরিক্ষা মথং চহিগী ফেব্রুৱারী ১৯ দগী হৌরগনি।

বোর্ডকী কন্ত্রোল্লর ওফ ইগজামিনেসন-অয়াম থোই সিংহনা থোকপা চরোল অমনা হায়-পরিক্ষা অসি মার্চকী তাং তরেৎ ফাওবা চথুগনি। অদুমওইনমক, থাং-তা, ফাইন আর্টস, ঈশৈ-নোংমাই অমসুং মনিপুরি জগোইগী ওইবা প্রেক্তিকেল পরিক্ষাশিংগী মতম কোন্না লেপকনি।

**ৱার্কশোপ (এল)ঃ** মনিপুর ষ্টেট রুরেল লাইফলিহুদ মীসন (এম.এস.আর.এল.এম) না শিনদুনা জেন্দর মেন স্ক্রিনিং হায়বা হীরমদা নুমিৎ নিনি চখ্থগদবা ৱার্কশোপ অমা ঙসিদগী হৌখ্রে। হায়রিবা ৱার্কশোপ অসি লৈবাক অসিগী রাজ্য অমদি য়ুনিয়ন টেরিটোরিশিংদা চখ্থরিবা নায়ি চেতনা থ্রি পোইন্ট জিরো কেম্পেইনগী মনুং চন্না ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী পেলেস কম্পাউন্দা লৈবা হোটেল কেস্টলদা হৌদোকখি।

এম.এস.আর.এম.এমগী ষ্টেট মীসন দাইরেক্তর-সোমোরজিৎ সলাম, ওফিসিএলশিং অমদি সোসিএল ৱেলফিয়ার বিভাগকী ওফিসিএলশিংনা পুন্না শরুক য়াদুনা চখ্থখিবা ৱার্কশোপ হৌদোকপগী থৌরম অদুদা জেন্দর চেম্পিয়ন হায়বা বুকলেট অমসু ফোংখি। থৌরম অদুদা ষ্টেট মীসন মেনেজর অমদি আই.দি.সিগী গুরুময়ুম কবিতানা হায়-ৱার্কশোপ অসি এম.এস.আর.এল.এমগী মীৎয়েং মখাদা পায়খৎলিবা থবক থৌরম কয়া অসিদা জেন্দর হায়বা কম্পোনেন্ট অসি য়াওহল্লগা মপুং ফানা ম্যেন ষ্ট্রিমদা পুরকবগী পায়খৎপা খোঙথাং অমনি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা জেন্দর ম্যেন ষ্ট্রিমিংগা মরী লৈনবা হীরমশিংদা ৱাফম কয়াসু অখঙ অহৈশিংনা থমখি।

**জিরিবাম(এল)ঃ** জিরিবাম জিলাদা মনিপুর কমিসন ফোর প্রোটেক্সন ওফ চাইল্ড রাইটস (এম.সি.পি.সি.আর) না অহানবা ওইনা হয়েং অমসুং হংচিৎ জিলা অসিদা লাঞ্জেন্নদুনা লৈরিবা অঙাংশিংগী মহৈ মশিং তম্বা অমদি হকশেল অমসুং অশোয় অঙাম থোক্তনা লৈহন্নবগী মতাংদা নুমিৎ নিনি চুপা চখ্থগদবা কেম্প অমা পাঙথোক্লগনি।

ঐখোয়গী জিরিবাম পাউমী-ঙাথেম বিশ্বজিৎনা হায়-কমিসনগী চেয়ারপার্সন কৈশাম প্রদিপ কুমারনা লুচিংবা মেম্বর অনি-এম.দি. হাবিদুর রহামন অমদি চবুংবম অনিতানা শাবা মীওই অহুমগী কাংবু অসিনা ঙরাংদগী

জিলা অসিদা লৈদুনা তোঙান তোঙানবা রিলিফ কেম্পশিংদা চৎতুনা লাঞ্জেন্নদুনা লৈরিবশিংগা হকথেংননা উন্নদুনা অৱাৎ অপাশিং য়েংশিনবা হৌখ্রে। জিলা অসিগী দিপ্যুতি কম্মিস্নার অমদি এস.পিগসু উন্নদুনা এম.সি.পি.সি.আরনা অঙাংশিংগী য়াইফ থৌরাংশিংগী মতাংদ লৌখৎলিবা থবকশিং কুপা ৱারী শান্নখি অমসুং অঙাংশিংগীদমক তৌহন্নিংবা কয়াসু ফোংদোকখ্রে। কেম্প অসিদা সি.এস.ওশিং, লাঞ্জেন্নরবশিং অমসুং অৱা অনা তারবা ইমুংগী মীওইশিংগী ৱাকৎশিংসু তাগনি হায়রি।

**কেম্প (এল)ঃ** নুপীশিংদা থেংনগনবা লায়না ওরেল, ব্রেজ অমসুং সরভাইকেলগী স্ক্রিনিং অমসুং চহি ৪০ হেল্লবা নুপীশিংদা থেংনবা লায়নাশিংগী মতাংদা লেমা লায়েংবগী অখন্নবা কেম্প অমা ঙসি ইম্ফালগী লাঙ্গোল তরুং অবার্ন হেলথ সেন্টরদা পাঙথোকখ্রে। কেম্প অসি লাঙ্গোল হেলথ সেন্টর অমদি নুপীনা নুপীগীদমক (এন.এন.পি) না পুন্না শিনদুনা পাঙথোকখিবনি। মসিদা নুপী ৮০ রোম লায়েংখি অমদি ৬০ হেনবনা স্ক্রিনিং টেষ্টশিং তৌখি।

**কেম্প (এল)ঃ** অসাম রাইফলস তমেংলোং বটালিয়ননা শিনদুনা নুমিৎ তরুকনি চথুগদবা অঙাংশিংগী ওইবা ৱিন্টর কেম্প ঙসিদগী হৌখ্রে।

তমেংলোং জিলাদা চথুরিবা কেম্প অসিদা তোঙান তোঙানবা এদুকেস্নেল, কলচরেল অমসুং এদভেঞ্চর এক্তিভিটিজ কয়া পাঙথোক্কনি। মসিগীসু মথক্তা এক্সকরসন য়াওনা মীয়ামনা থেংনরিবা সমস্যাশিংগী মতাংদসু অঙাংশিং অদুদা খঙহনগনি।

**সৈনিকঃ** সৈনিক স্কুল ইম্ফালগী ৫২ শুবা চহিগী থৌরম ঙসি পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুগী শরুক অমা ওইনা সাইন্স অমসুং আর্টস ইগজিবিসন অমসু স্কুল অসিগী কেম্পসতা পাঙথোকখি।

বিক্রম বত্রা ওদিটোরিয়মদা পাঙথোকপা থৌরম অদুদা এন.সি.সি. গ্রুপ হেদক্বাটরগী ব্রিগেদিয়ার-এস.আর. শর্ম্মনা অথোইবা মীথুং ওইখি।

**ফিল্মঃ** অনিরকশুবা নোর্থ ইষ্ট ইন্দিয়া ফিল্ম ফেষ্টিবেল (নিফ) ২০২৫ মনিপুরদা লাক্লিবা ফেব্রুৱারী ১২ দগী ১৬ ফাওবা পাঙথোক্লগনি। ফেষ্টিবেল অসি ইনর্ফোমেসন এন্দ ব্রোদকাষ্টিং মন্ত্রালয় অমদি নেসনেল ফিল্ম দিবলপমেন্ট কোরপোরেসনগী শেন্থং মখাদা মনিপুর সরকারগী ইনর্ফোমেসন এন্দ পাব্লিক রিলেসন বিভাগ, থৌনা মনিপুর অমসুং ফিল্ম ফোরম খুৎশমদুনা শিনবনি।

হীরম অসিগা মরী লৈননা ঙসি ইম্ফালগী কৈশাম্পাৎতা লৈবা দি.আই.পি.আরগী ওদিটোরিয়মদা পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা নিফকী ওর্গনাইজিং কমিতিগী চেয়ারমেন-ৱাই. নিলাচন্দ্রনা হায়-ফেষ্টিবেল অসি মরুওইনা অৱাং নোংপোক লমদমদা লৈরিবা ফিল্ম মেকরশিংবু অমত্তা ওইনা পুনশিনদুনা সিনেমাগী লমদা থোইদোক হেন্দোকপা কয়া য়াওরিবা অদু মীয়ামদা উৎথোকবনি। হন্দক পাঙথোক্কদৌরিবা ফেষ্টিবেল অসিদা ফিচর ফিল্ম অমদি-নোন-ফিচর ফিল্মশিংসু উৎকনি। ফেষ্টিবেল অসিদা ফিল্ম ২৫ রোম উৎনবা থৌরাং তৌরি। মহাকা হায়-অনিরকশুবা নিফ ২০২৫ অসি ইম্ফালগী লমফেলপাৎতা লৈবা তন্থা পোলিস সিনেমা হোলদা পাঙথোক্কনি। ফেষ্টিবেল অসিদা তোঙান তোঙানবা এৱার্ড ৮ পীদুনা ফিল্মগী লমদা থবক তৌরিবশিংদা ইকায় খুমবা উৎকনি।

**পিএমঃ** শ্রীলঙ্কাগী রাস্ত্রপতি-অনুরা কুমারা দিসা নয়াকেনাভারতকী মায়োক্তা লৈগদবা থবক অমত্তা শ্রীলঙ্কাদগী চথহল্লোই হায়না থাজবা পীখ্রে।

প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিগা ঙসি ন্যু দিল্লিদা শ্রীলঙ্কাগী রাস্ত্রপতিগা উন্নদুনা লৈবাক অনিগী ওইবা ৱাফম কয়া খন্নখি। ন্যু দিল্লিগী হায়দ্রবাদ হাউসতা পাঙথোকখিবা লুচিংবা অনিগী ওইবা মীফম অদুদা শ্রীলঙ্কানা চহি অনি চুপা শেল

থুমগী অৱাবা মায়োকরিঙৈ মতমদা ভারতনা মতেং পাংখিবা অদুগীদমক রাস্ত্রপতি- অনুরা কুমারা দিসা নয়াকেনা প্রধান মন্ত্রিবু থাগৎপা ফোংদোকখি।

শ্রী অনুরা কুমারানা লৈবাক অদুগী রাস্ত্রপতি ওইরবা মতুংদা ভারত্তা লাকপা হন্দক্কী খোঙচৎ অসিনা অহানবনি। প্রধান মন্ত্রি মোদিগা উন্নরবা মতুংদা পাউমীশিংগা উন্নবদা শ্রীলঙ্কাগী রাস্ত্রপতি অনুরা কুমারানা হায়-ভারতকী মায়োক্তা লৈগদবা থবক থৌরম অমত্তা শ্রীলঙ্কাদগী চত্থহল্লোই। মহাক্কী লৈবাকা অৱাবা তারবা মতমদা ভারতনা তেংবাংখিবা অদুগীদমক চাউরবা লম্মন তোল্লিবনি হায়না রাস্ত্রপতিনা ফোংদোকখি।

নুমিৎ হুমনিগী খোঙচৎতা ভারত্তা লাকখিবা রাস্ত্রপতি-দিসা নয়াকেনা রাস্ত্রপতি-দ্রৌপদি মুরমুগসু উন্নখি অমদি দিল্লিদা পাঙথোকপা লল্লোন ইতিক্কী থৌরম অমদসু শরুক য়াখি।

**সংসদঃ** লৈবাক অমা, মীখল অমগা মরী লৈনবা বিল অনি লোক সভাদা হয়েং পুথোল্লগনি। বিল অনি অসি ঙসি লোক সভাদা পুথোক্কনি হায়না তৌরম্বনি।

লৈবাক অমা, মীখল অমগা মরী লৈননা শেমখিবা অৱাংবা থাক্কী কমিতিগী প্রস্তাব সরকারনা অয়াবা পীখিবনি। মসিনা লৈবাক শিনবা থুংবদা মীখল অমুক্তদা পাঙথোকবগী লম্বী য়াৎলে।

হান্নগী রাস্ত্রপতি-রামনাথ কোবিন্দনা সভাপতি ওইবা অৱাংবা থাক্কী কমিতি অদুনা ষ্টেকহোল্ডরশিং, রাজনিতি দলশিং অমদি অখণ্ড অহৈশিংগী মোত লৌখিবনি। থৌরাং অসিগী মখাদা মীখল তাঙ্কক অনি থোকা পাঙথোক্কনি। অহানবা তাঙ্কক্তা লোক সভা অমসুং রাজ্য বিধান সভা মীখল মতম অমত্তদা পাঙথোক্কনি। অদুগা, পঞ্চায়ট অমসুং ম্যুনিসিপালিতিগী মীখলশিংনা সধারনগী মীখল পাঙথোকখিবা নুমিৎ ১০০ নিগী মনুংদা পাঙথোক্কনি।

**ফুটবোল ঃ** ছাতিসগরগী আর.কে.এম. আশ্রমাদা চত্থরিবা ২৯ শুবা সেনিয়ার

ৱিমেন্স নেসনেল ফুটবোল চেম্পিয়নসিপ ফোর রাজমাতা জিজাভাই ট্রোফি ২০২৪-২৫ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা মনিপুরনা ঝরখন্দবু পাঞ্জল ৫-০ দা থোইখ্রে।

মনিপুরগী পাঞ্জলশিং অদু এন.প্রিয়াঙ্কা, দাংমৈ গ্রেস অমসুং এ. রোজা দেবীনা চনখিবনি।

অমরোমদা, অম্ফানা মনিপুরগী টিমবু থাগৎপা ফোংদোরক্লি।

**ফুটবোলঃ** মরিশুবা মাস্তর ডাক্তর মোইরাংথেম মনাউতোন সিংহ এন্দ এম. চন্দ্রসাখি দেবী মেমোরিএল ফুটবোল চেম্পিয়নসিপ ২০২৪ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা ভি.এস.এ.আই অমসুং এম.এল.ভি.এফ.এ. পঞ্জাল অনি অনি চন্নদুনা দ্রো চৎখ্রে।

**ক্রিকেট ঃ** ২১ শুবা মনিপুর ভেটরান ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ২০২৪-২৫ গী ঙসি শান্নখিবা তরেৎশুবা মেটচতা এন.এ.পি.এস.এ. খা ইম্ফালনা ই.এস.য়ু. ৱাংখৈবু ৱিকেট তরেৎতা থোইখ্রে।

**ক্রিকেট ঃ** মরিশুবা এম.এন.সি.এ. সুপর লেট টুর্নামেন্ট ২০২৪-২৫ গী ঙসি শান্নখিবা লিক মেটচতা সি.দি.সি.সি. শগোলবন্দ সলাম লৈকাইনা ফোর্স ক্ষেত্রিগ্রাউবু রন-৩০ দা থোইখ্রে।

থৌবালগী মোইজিং পাব্লিক গ্রাউন্দদা শান্নখিবা অতোপ্পা মেটচ অমদনা ৱাই.ডব্লিয়ু.সি. লংথাবালনা কে.এ.এস.সি. খোমিদোকপু রন-১৫১ দা থোইখি।

৯ শুবা এম.এন.সি.এ. প্লেট টুর্নামেন্ট ২০২৪-২৫ গী ঙসি লাইরেঞ্জম পাব্লিক গ্রাউন্দদা শান্নখিবা লিক মেটচত ৱাই.ডব্লিয়ু.সি. পাৎশোইনা আর.আর.সি.সি. চুরাচান্দপুরবু রন-৮ দা থোইখি। খাঙবোক পার্ট থ্রি চেরাপুর

পাব্লিক গ্রাউন্দদা শান্নখিবা অতোপ্পা লিক মেটচ অমদনা ওস্কার-পাউনা বজারনা এস.দি.সি. লাইফম খুনৌবু ৱিকেট অনিদা থোইখি।

**হোকি ঃ** বিষ্ণুপুরদা চত্থরিবা মরিশুবা ষ্টেট লেবেল মেন্স এন্দ ৱিমেন্স ওপন সিক্স এ সাইট হোকি টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা নুপীগী মেটচতা বিষ্ণুপুর হোকি (বি.ঐচ) না টি.ডব্লিয়ু.সি. তবুংখোকপু পাঞ্জল ৩-২ থোইখ্রে। অতোপ্পা মেটচ অমদনা ৱাই.সি.সি.আই.সি. কোন্থা অহল্লুপনা থৌবাল হোকিবু পাঞ্জল ৪-২ দা থোইখি।

অহুমশুবা নুপীগী হোকি মেটচ অমদনা য়ু.ই.এস.পি.এমনা এম.এল.ঐচ.য়ুবু পাঞ্জল ৩-২ দা থোইখি অদুগা নুপাগী মেটচতা সেয়োন শিংজমৈনা থৌবাল হোকিবু পাঞ্জল ৫-১ দা থোইখি।

**হোকিঃ** ভারতনা ৱিমেন্স জ্নিয়র এসিয়া কপ ২০২৪গী চেম্পিয়ন ওইরে। ওমানগী মস্কাটতা ঙরাং শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা ভারতনা চাইনাবু পেনালতিদা পাঞ্জল ৩-২দা থোইখি। হোক্কি ইন্দিয়াগী মাইকৈদগী মাই পাক্লবা ভারত তিমগী শান্নরোইশিংদা লূপা লাখ অনি অনি অদুগা সপোর্ট স্তাফশিংদনা লূপা লাখ ১-১গী মনা পীরগনি হায়না লাউথোকখ্রে।